লাইরিক ২ ফোঙগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মালেম অই খোল (এম এ কে) খাবম লমখায়না শীন্দুনা শৈরেংগী লাইরিক ২ ফোঙবগী থৌরম লাক্লিবা দিসেম্বর ২গী নুংথিল পুং ১ তাবদা ওল্ড এসেমব্লিদা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ইনাওবী হুইরেম্বনা ইবা *চন্দ্রমুখি* অমসুং তখেল্লম্বম ওংবী জানকিনা ইবা *অমম্বা অহিংগী মুসিরবা অহিং* হায়না মীংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক ২ ফোঙবগী থৌরম অসিদা মণিপুর লেঙ্গৈজ এদভাইজরি বোর্দ ন্যু দেল্লিগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা চীফ গেষ্ট, ৱাইখোম মহেন্দ্র মালেম অইকোলনা প্রসিদেন্ট অমদি চোংথাম ওংবী সুবদনি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। সী ৰেব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বা অমদি ডা. ৱাহেংবম কুমারি চনু এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর লিলোং হাওরৈবি কোলেজনা *চন্দ্রমুখি* অমসুং *অমম্বা অহিংগী মুসিরবা অহিংগী* মরমদা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসনল এন্দ দিভলপমেন্ট ক্লব নিশা বন্দ মৈরা পায়বী নম্বোল মখা লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭না নম্বোল মখা লৈকায় অমসুং নম্বোল মখা লৈকায় বজার এরিয়াদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োল্লিবা খুদিংমক লাক্লিবা দিসেম্বর ১দগী অথিংবা থল্লে। ক্লব অমদি নিশা বন্দগী অথিংবগী মায়োক্তা মখা তানা য়োল্লম্বা তারবদি মদুগী অফ-ফত্ত খুদিংমক মশা মশানা থৌদাং পুজগদবনি হায়না এদ্যুকেসন এন্দ দিভলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেটরি থোকচোম জয়চন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ওল মণিপুর নুপী মরুপকা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেরনেস প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২৪দা কোংপাল সাবল লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিময়ুম তামা উপ অধ্যক্ষ ইম্ফাল ইষ্টনা চীফ গেষ্ট, এম সখি প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর নুপী মরুপনা প্রসিদেন্ট ওইখি। এদভোকেট টি ঐচ রাজকিশ্বরনা অঙাংশিংবু লোগী থোঙদা লাকপা মতমদা মরুপ মপাংগুম্না লোয়নবীবগা লোয়ননা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবা হায়বা হীরমসিদা ৱা ঙাঙখি। এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা নুপীশিংনা ইনকম জেনরেসন তৌনবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ শেমদুনা গভর্ণমেন্টতগী শেন্থং লৌদুনা মশানা মতৌ করম্না শেন্থোক লম্বী লৈহনগদগে হায়বগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চিলদ্রেন আর্ট কম্পিটিসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): আর এন্দ ভি আর্ট হাওসকা হিরোসিমা পিছ কলচর ফাউন্দেসন জপানগা খূৎশম্নদুনা পিছফুল টাউন হায়বা থিমদা অঙাংশিংগী আর্ট কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

চহী ৬তগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ফ্লেট আর্ট ৱার্ক বি ফোর সাইজদা পাঙথোক্কনি। মেয়রস ফোর পিছ সেক্রেটরিএটনা কৃপ্না স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা থোইদোক হেন্দোকপা আর্ট ৱার্কশিং অদু খনগৎতুনা মনা পীগনি হায়রি। গ্রান্দ প্রাইজগী সার্টিফিকেট অমা অমসুং গ্রান্দ প্রাইজ আর্টৱর্ককী ফোলদর ২০ ৱিন্নর অদুদা পীগনি। চিলদ্রেন আর্ট কম্পিটিসন অসি সবমিসন তৌবগী অরোইবা নুমিৎ লাক্লিবা দিসেম্বর ১নি হায়না আর এন্দ ভি আর্ট হাওসকী আর্টিষ্ট এন্দ কো ফাউন্দর রোবিন ৱাহেংবম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): জে এ সী ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রি রিক্রুটমেন্ট ওফ কেন্দিদেট পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৬ (কে জয়ন্ত) বেটচকী কেন্দিদেট অমদি গার্জিয়ানশিংগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ২৯গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি হায়রি। মীফম অসিদা কেন্দিদেটশিং অমদি গার্জিয়ানশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা খন্ন-নৈনবা অসিবু য়াওবীনবা জে এ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চাইল্ড প্রোটেক্সন এন্দ সেফটিগী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্সাগা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট উখ্রুলগা পূন্না শীন্দুনা জুদিসিয়ারিশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিএটতা লৈবা দি আর এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চাইল্ড প্রোটেক্সন এন্দ সেফটি হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্ট মেন্টশিংদা লৈরিবা ওফিসলশিংনা অমত্তা ওইনা অঙাংশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং চঙশিনমিন্নবগা লোয়ননা অঙাংশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা লোয়ন-লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অমদগী দিষ্ট্রিক্ট অমদা মীওই কয়ানা চাইল্ড ট্রাফিকিং তৌরিবা অসি থিংনবগী পান্দমদনি।

ট্রেনিং অদুদা পুলিস দিপার্টমেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট, চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটি, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, ইন্টগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট স্কিম অমসুং চিলদ্রেন হোমশিংগী ওফিসল অমসুং মীহুৎ ৩৮না শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অসি মুক্তি-এন এন্টি ট্রাফিকিং ইনিসিএটিভ টু কমবেট হ্যুমেন ট্রাফিকিং এন্দ চাইল্ড সেক্সুএল এব্যুজ ইন মণিপুর হায়বসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি অমসুং উখ্রুল অমদি ইম্ফালদা হৌখিবা কুমজা ২০১৫দগী হৌনা ঈ সী পি এ টি লকজম্বগকী তেংবাঙগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

থৌরম অদুদা এলেক মুইভা, এম জে এস চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট উখ্রুল, রিংথিং হোংচুই এস দি পি ও উখ্রুল অমসুং এ রুংঙরিসো সঙ্ঘ প্রোজেক্ট ওফিসর মুক্তি প্রোজেক্ট, এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্সানচিংবনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মুক্তি প্রোজেক্টকী প্রোজেক্ট ওফিসর এ রুংঙরিসোনা হায়খি, প্রোজেক্ট মুক্তি হায়বসি চাইল্ড ট্রাফিকিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা থেংননবগী মীৎয়েংদা পায়খৎপনি। মণিপুরদা অঙাংশিংবু সেক্সুএল এব্যুজ তৌরিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদনি।

কুমজা ২০১৫দগী প্রোজেক্ট শক্তি অসি মায় পাক্না পাঙথোকখিবগা লোয়ননা স্কুলগী মহৈরোয়, কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিং, ভিলেজশিংগী হেদ মেনশিং, জর্নেলিষ্ট অমসুং গভর্ণমেন্টকী ওফিসল লিশীং ১০ হেনবদা ট্রেনিং অমসুং এৱেরনেস প্রোগ্রাম পীখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা এলেক মুইভা এম জে এসনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস এক্ট ২০১২ (পোক্সো) গী তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা য়ুনাও গেঙ রেপ কেসতা চেন্নরিবা পিক্লিবী নুপীমচা অদুগী মরমদা মিদিয়াদা ফোঙদোরকপদা নুপী অদুগী লৈফম অমদি মশক মমিং হায়দোরকপগীদমক্তা ফাইন তৌখি। অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসিগী ভিক্টিমশিংগী কম্পেন্সেসন স্কিমনচিংবসু লৈরে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওজাশিংগী রাইট কন্নবগীদমক খোঙজং চঙশিল্লগনি : এ এম এম এস ও

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরী মুসলিমশিংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসন কয়ানা তোয়না মতম মতমগী লৈঙাক্তা তক্নদুনা লাক্লবা মদ্রাসা মোর্দনাইজেসন স্কিমগী কন্ত্রেক্ট ওজাশিং রিগ্যুলর তাহনবিনবা হায়জদুনা লাকখি অদুবু লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোরক্তববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর মুসলিম ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাইজেসন (এ এম এম এস ও) না ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম এস ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি জাবেদ অহম্মদনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম অনীরক পীশিল্লবা ফাওবদা লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোকপীরক্লবা ৱাফম ফোঙদোক-পিরক্তবা অমদি ওজাশিংগী কম্যুনিতিবু মীরাইবীবগী থৌওং অসি য়ানীংদে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ফোঙদোকপীখিবা কেবিনেটনা ঙমদবা লৈতে হায়বা ৱারোল অমুক হন্না নীংশিংদুনা দি পি সী য়াওদনা ইনিসিএল এপোইন্টমেন্ট লৈতনা, এদভর্টিজমেন্ট থোক্তনা, এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ কার্দ থাদনা অমদি আর আর শুদনা মীওই কয়াবু মতম মতমগী লৈঙাক্না রিগ্যুলর এপোইন্টমেন্ট পীথোক্তুনা ওফিসর ওইহল্লগা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয় খুন্নাইবু শেল্লিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা মদ্রাসা মোর্দনাইজেসন স্কিমগী কন্ত্রেক্ট অমদি কন্ত্রেক্ট টিচরশিংগী ৱাকৎ তাবীদবা অসি য়ানীংদে হায়না মরাল শিরক্লি। চহী কয়া কন্ত্রেক্ট টিচরশিংগী তোলোপ পীথোকপীদবা হায়বসি য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱারেপ অমা লৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী থিংলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বীগী ইরিলবুং থোংদগী ঙারিয়ান চীং ফাওরগা য়াইরিপোক ফাওবা চৎলিবা লম্বীগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রিবা অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী শেমজিনবীনবা তকশিন্দুনা লাক্লবসু হৌজিক ফাওবা শেমজিনবীদ্রিবা অসি য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লম্বী অসি থিংজিল্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ য়ুথস ওর্গেনাইজেসন লংদুমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ য়ুথস ওর্গেনাইজেসন লংদুমগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লম্বী অসি শেম্বীনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী মরী লৈনবা মিনিষ্টর য়াওনা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা লৌখৎপীরকপা লৈত্রি। মতম শাংনা গভর্ণমেন্টনা লম্বী অসি শেমজিনবীদনা লাক্লি। লম্বী অসি নেসনল হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎপগী অশেংবা খঙবা ঙাইবদা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনবদি চুল্লোই। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হন্দক্তা থম্বালনু কৈথেলদা চৎপীবা অদুদা লম্বী অসি ফাওদুনা চৎপীরল্লবদি লম্বী অসিগী অশেংবা ফীভম উবিরমগদবনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ৱাক্স মিনিষ্টরনা লম্বী অসি চয়োল অমগী মনুংদা শেম্বা হৌরগনি হায়খ্রবসু মখা তানা থবক পায়খৎলকপগী মমি তাদ্রি। মরম অসিনা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা লম্বী অসি শেম্বগী থবক হৌবিদ্রবদি লাক্লিবা দিসেম্বর ১দগী লম্বী অসি মতম কক্তনা লমদম অদোমদা লৈরিবা কৈরাও, লংদুম, কৈরাও ৱাংখেম, খনরোক অমদি চনম শন্দ্রোক্কী লূপশিংগী মতেংগা লোয়ননা থিংজিল্লগনি হায়রি।

লম্বী থিংবা অসিদা মহৈ-মশীন, মৈহৌ লাংপোক, অনা অয়েক অমদি মিদিয়াগী মীওইশিংদি কোনশিল্লোই হায়রি।

সী আর পি এফনা পেসেঞ্জর সেদ অমুক হন্না শেমজিন্দুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রে

PASSENGER SHED
KHABUNG KARONG VILLAGE
Renovated by
109 BN, C.R.P.F.

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): সী আর পি এফকী ১০৯শুবা বট্টালিয়ন্না থা অসিগী ২৭তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাবুং কারোংগী ভিলেজ প্রসিদেন্টদা পেসেঞ্জরশিংগী সেদ অমা খূৎশিন্নখ্রে।

সী আর পি এফ মণিপুর নাগালেন্দ সেক্তরগী আই জি পি রাজেস কুমার আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না খাবুং কারোং ভিলেজকী পেসেঞ্জর সেদ অদু ১০৯ বট্টালিয়ন্না নৌনা শেমজিন শাজিন্দুনা শিন্নখিবনি। মীয়াম্না পেসেঞ্জর সেদ অদুগী ফীভম ফত্তবনা শীজিন্নবা য়াদনা লৈরম্বা অদু নেসনল হায়ৱে ২গী মনুং হঞ্জিন্না খুন্দারিবা মফমশিংগী মীওইশিংদা কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা অমুক হন্না শেমজিন শাজিনখিবনি।

খুঞ্জাশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী অদুগুম্লবা পেসেঞ্জর সেদ অদুগী ফীভম ফত্তনা লৈরকপা অদু শেমজিনবীনবা খুল অসিগী প্রসিদেন্টনা পাউ পীরকপদগী শেমজিনখিবনি। পেসেঞ্জর সেদ অদু মীয়ামদা অমুক নৌনা খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী সেনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসরশিং, ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্যান্দেন্ট বিনোদকুমার অমসুং মফম অদুগী মীয়ামগী লুচিংবশিং য়াওনা খুঞ্জা ৩০০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অদুদা সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চেয়রমেন কে এল মাক্কন্না চীফ গেষ্ট ওইনা শরুকয়াখি। মহাক্না থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা পায়খৎপীরিবা থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা থোং অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা মহৈ মশীন তম্বা অমসুং শান্ন-খোৎনবদা চঙবা পোৎলমশিং মতেং পাংবীখিবগা লোয়ননা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা কারোং অমসুং মাওদা পব্লিক টৈইলেট কয়াসু শাখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

খুল অদুগী প্রসিদেন্ট এন জি দেহে দেনেলনা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ অমসুং মহাক্কী টিম্না অসিগুম্বা খুঞ্জাশিংগী ৱেটিং সেদ অমা অমুক হন্না শেমজিন শাজিন্দুনা খুঞ্জাশিংদা শিন্নবিখিববু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মণিপুর কলচরেল ফেষ্টিবেল হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): করিয়র ফাউন্দেসন মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১১দগী ২০ ফাওবা নুমিৎ ১০ নি চূপ্পা মণিপুর কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০১৮ হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

করিয়র ফাউন্দেসন মণিপুরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স সেক্রেটরি প্রিতম চুংখাম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরগী চীং অমদি তমগী কলচরেল ক্রুপশিং শরুক য়াহনবতা নত্তনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দাখ্রবা ইচিন ইনাওশিংগী কলচরেল ক্রুপশিংসু শরুক য়াহন্নবা থৌরাং তৌরি। থাঙ-তাগী শোসু ফেষ্টিবেল অসিগী শো অমা ওইনা উৎনবা হোৎনরি।

সেফ অৱার কলচর, কলচর ইজ অৱার আইদেন্টিটি হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরগা য়ূমলোন্নরিবা অতোপ্পা ষ্টেট কয়ামরুমদগী কলচরেল ক্রুপশিং শরুক য়াগনি। মণিপুরগী নাট অমদি চৎনবীগী জগোয় ঈশৈখক্তা নত্তনা ঙল্লিথৈঙে মতমদগী লৈরক্লবা থাদোক্লবা য়াররোইদবা মতম খরা উবা ফংলুদ্রবা মশান্না মখল খরসু য়াওহন্নবা হোৎনরি।

ফেষ্টিবেল অসিদা ফিল্ম, থিএটর, প্লে, ম্যুজিকেল নাইট, ফেসন শো, সেলফি কুইন কন্টেষ্ট অমসুং কুইন ব্যুটি কম্পিটিসন্নচিংবা ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোক্কনি।

শক্লাইরবা মীওইশিংগা নুমিৎ খুদিংগী উনদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। মিস য়ুনাইটেদ মণিপুর কন্টেষ্ট ২০১৮সু ফেষ্টিবেল পাঙথোকফম হাপ্তা কাংজৈবুং মনাক্কী বোটতা অহানবা ওইনা ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর রন হায়বা থিমদা মরাথোনসু পাঙথোক্কনি। সাইকল রেল্লিসু পাঙথোকপগা লোয়ননা মরাথোন অমদি সাইকল রেল্লিদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা লাম্থোক্কনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী নাটকী ষ্টোলশিং, উহৈ-ৱাহৈগী ষ্টোলশিং, চান-থক্লবগী ষ্টোলশিং, মহী-মনাইগী ষ্টোলশিং অমদি ফিরোলনচিংবগী ষ্টোলশিং ফমহনগনি। মীরৈবাক্কী ষ্টোলসু ফেষ্টিবেল অসিদা য়াওহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হরাউ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট য়ুথ ফেষ্টিবেল থা অসিগী ১৫দগী হৌদুনা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়ারুবদা সোং কম্পিটিসন্দা অহানবা মনা ফংলকখ্রবা খুরাই কোংপাল থৌবান্দোংগী টিম্নু হরাউ তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোকখ্রে।

নেতাজি মেমোরিএল ক্লব খুরাই কোংপালগী জেনরেল সেক্রেটরি রমানন্দা সাইরেমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীওই ১০না শরুক য়াখিবা অসিদা অহানবা মনা ফংলকখ্রবা টিম অদুবু হরাউ তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. খাগোকপম বিরেন অমদি তখেল্লম্বম নবচন্দ্রনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

‘হাওলেনফাই ভিলেজবু ঙাক শেনবীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর ৭৬ হাওলেনফাই ভিলেজদা ম্যান্মার আর্মি য়ৌশিল্লক্তুনা য়ূম শাবদা অথিংবা থল্লিবা অমদি বোর্দর পিল্লর ৮১ ক্বাথা খুনৌনা অয়েৎপা পীরক্লিবা অসিনা লোইবা নত্তে। বোর্দর পিল্লর ৩৯দগীনা ৪৮ অমদি ৪৯দগী ৮৯ লোয়ননা ৯০দগী ১৩০ ফাওবা অসিসু কদাই ফাওবা চুম্লবগে হায়বসি ময়েক শেংনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মচা খায়না থম্বীগদবনি। নৎত্রবদি অদুমক য়েৎতুনা লৈখিগনি হায়না ওল ইন্দিয়া কংলা পাখঙবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি জেনরেল ইংবা মঙাং য়ূম্নামচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সোসাইটি অসিনা তোঙান তোঙানবা এম্বেসিশিং অমদি মরী লৈনবশিংদা লিগেল নোটিশ পীখিবগা লোয়ননা লিগেল নোটিশকী পাউখুমদা ইন্দো-ম্যান্মার বাউন্দরি এগ্রিমেন্ট ১৯৬৭কী প্রোভিজনগী মতুং ইন্না সেট্তল তৌবনি। অশোয়বা লৈতে হায়রকপদগী অমুক হন্না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা ইন্দয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল থ্রিদা পীরিবা রাইট অমদি আর্টিকল ৩৫৫তা পীরিবা ঙাকফম থোকপা ঙমখৈ ঙাক্লিব্রা হায়নসুং হংখি।

মরক অসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা, দি সী ৱাই রুপচন্দ্র, এস দি ও ও সন্দিপ গোপাল দাস, দি এস পি সী দি ও থোমাস থোকচোমচা, এ আরগী সী ও রাৱট, এ দি সী এন বঙ্কিম, ও সী হেনখোহাও বাইফৈনচিংবনা ৱাথোক ওইরিবা মফম অদুদা হকথেংননা চৎতুনা মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌবীদুনা হাওলেনফাই ভিলেজবু ঈংতপ্পা লৈহন্নবা শিনবীয়ু হায়নসু মখা তারক্লি।

রিফোর্ম তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (এস য়ু কে) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওফিসতা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা এস য়ু কে ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌখ্রে।

কম্মিটি অসিগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্টনা য়ুমখাইবম অজাহর, ভাইস প্রসিদেন্টনা কে এস ঐচ নেত্রজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরিনা বি এস থোকচোম, ফাইনান্স সেক্রেটরিনা ৱাহেংবম মীতৈ লৈমা চনুনি হায়না এস য়ু কে হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোকচোম দোল্লর সেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮ পাঙথোক্লিবা অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগা পূন্না শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা থা অসিগী ২৬তা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ মঙ্গিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু এস এস য়ুনিট ৱান অমসুং টু মোর্দন কোলেজ, এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল ইম্ফাল অমসুং য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন খাঙবোক্না লোয়ননা ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জেনিমসকা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন এৱেরনেস কেম্প্যেন কম ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ষ্টেট ব্লদ সেল এম ঐচ এম মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

এৱেরনেস প্রোগ্রামদা ডা. কে সুরজিৎ (স্পেসিএলিষ্ট ইন ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন), বি বি টি য়ু জেনিমস পি ঐচ গুনচন্দ্র প্রসিদেন্ট মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল, ৱাই য়াইমা প্রোগ্রাম ওফিসর এন এস এস য়ুনিট মোর্দন কোলেজ, এল লাল কহ্হাই সেক্রেটরি য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন খাঙবোক অমসুং শ্যামকুমার নিংথৌজা ভাইস প্রসিদেন্ট এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

ডা. কে সুরজিৎ জেনিমসনা হু কেন দোনেট ব্লদ? হ্বাই? নবকুমার টি সী সেক্রেটরি এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা রোল ওফ য়ুথ ইন দি ব্লদ দোনেসন মুভমেন্ট হায়বা টোপিক অসিদা রিছোস পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি। মোর্দন কোলেজগী মহৈরোয়শিং অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই পূন্না ৩৪না নুমিৎ অদুদা ঈ কৎখি হায়রি।

থা অসিগী ২৯দা ট্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল এক্সপো লম্বোই খোংনাংখোংদা টুৱার্দস টুমোরো মণিপুর হায়বা থিম অসিদা এন এস এস য়ুনিট ৱান এন্দ টু ইম্ফাল কোলেজ অমসুং এসোসিএসন ফোর ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস লম্ফেল পাৎ ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা ষ্টেট ব্লদ সেল এম ঐচ এমনা শৌগৎতুনা সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কনি হায়রি।

‘বোয়কোটকী খোঙজং হন্দোক্লে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮দা য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈ পাঙলশিংবু মীরাইবা মানবা মওংদা দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম্না তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিশিংগী ট্রেদিসনেল হট শারিবা অমদি ফুরুপশিংগী শক্তাকফম ওইরিবা ৱাল পোষ্টরশিংগী মীতৈ পাঙলশিংদা য়াওদবা অসিগী মতাংদা টুরিজম দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকা ৱারোইশিন পুরকখ্রে হায়রি।

মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসনগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুল্লাকপম অদিলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসনগী মীহুৎশিংগী অপুনবা মীফম অমা ফম্মিন্নদুনা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদা ৱারী শানবদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদদুনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা অমুক হন্না ফমিন্নদুনা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকখি।

হৌজিক পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮ অসিদা কম্যুনিতিগী ওইনা ট্রেদিসনেল হট শাবদা, ৱার পোষ্টরনচিংবদা মীতৈ পাঙল ফুরুপকী ওইনা য়াওখিদবা অসি মীরাইবা নত্তে, খুদোংচাদবা খরা য়াওখিবনা মরম ওইরগা য়াওখিদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদগী হৌনা মতুং তারকপা সঙাই ফেষ্টিবেলদা মীতৈ পাঙলগী ট্রেদিসনগা মরী লৈনবশিং হাপ্পা য়াবা খুদিংমক হেরিটেজ এক্সপার্টশিংগা খন্নরগা হাপকনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং টুরিজম দিপার্টমেন্টনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীতৈ পাঙলশিংগী ইহুল খঙনা হৌখিবদা লৈখিবা অশোয়বা অৱাৎপশিং অদু মতুংদা অমুক হন্না থোকহল্লরোই হায়বা থাজবা পীরকপগীদমক এম এম দল্লিয়ু ওনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ২৬তা এম এম দল্লিয়ু ওনা সঙাই ফেষ্টিবেল অসি বোয় কোট তৌরগনি হায়না থোকখিবা ৱারোল অদু হন্দোক্লে হায়রি।

ক্বাথা খুলদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্তর ইম্ফালনা থা খুদিংগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা থিজিন খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা থিজিল্লোয় অমদি অখণ্ড অহৈ ৩০না শাবা মীওই খূৎপু অমনা থা অসিগী ২৫দা ক্বাথা খুলদা থিজিন খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রে।

হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্তরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিগী লিচিং মখাদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী ক্বাথা লমখাইদগী অৱাং পাংনা কিলোমিটর ৭ মখায়রোম চঙশিন্দুনা চীংলক্তা খুন্দাদুনা লৈরিবা ক্বাথা খুলদা থিজিন খোঙচৎ চৎখিবনি।

ক্বাথা খুল অসি কুমজা ১৪৬৭তগী ১৫০৮ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা ইনিংথৌ মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা ক্বা থাহন্নবগীদমক লীংখৎখিবা খুলনি। ইনিংথৌ কিয়াম্বনা পোং নিংথৌ চৌফা হিখোম্বগা কবো তম্পাক্কী খম্বাক্তা লান্দামিন্নখিবা থৌদোক্তা মৈদিংঙু কিয়াম্বদা পোং নিংথৌনা ক্বা চাবা তম্বীরম্বদগী মীতৈনা ক্বা চাবা হৌদুনা ঙসিনা ত্রিপুরা হায়না খঙনরবা তখেল লৈবাক্তগী লমদমসিদা লৈজরগে হায়না লাকখিবা তখেল মপা মচা অনীবু ক্বাথা খুলদা লৈহন্দুনা ক্বা থাহল্লগা ক্বারোয় ওইনা খুন্দাদুনা লৈহনখি হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা ১৫শুবা চহী চাগী মতমদগী খুল লীংদুনা খুন্দারক্লবা মীতৈ খুলসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মপূং ওইবা শিনফম, পুন্সি মহিং, শেম্মীৎলোন, খুন্নাইলোল, য়ূমলৈ কৈরৈ অমদি খুলসিদা উমংলাই ওইনা খুভম লীংদুনা লাৎলিবা নোংপোক পান্থোইবীগী খুম্ভন্নচিংবা কয়াগী মরমদা থিজিন হুমজিনখি হায়রি।

নুজা চরৈ জগোয় পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): এস কুল্ল ৱিমেন্স কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফেসন টেক্নোলোজিনা শীন্দুনা অহানবা এন্যুএল পাস আউট ফেসন শো *নুজা চরৈ জগোয়* ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বি ভোককরিকুলমগী প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদা ইহান হান্না পাঙথোকখিবা অসিনা মহৈরোয়-শিংদা ফেসন টেক্নোলোজিগী লম্দা প্রোফেসনেলিজম হেন্না চাওখৎনবা কোর্স অসি পাস তৌরবা মতুংদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা এল ইবোয়াইমা জোইন্ট দিরেক্টর য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না চীফ গেষ্ট, এস টিকেন স্পোক্সপার্সন বি জে পি এন্দ এদভাইজর টু সী এম, সলাম বুধচন্দ্র ফোমর সেক্রেটরি গভর্নিং বোদি এস কে ৱিমেন্স কোলেজ, ডা. এন জয়কুমার প্রিন্সিপাল এস কে ৱিমেন্স কোলেজনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। এন ইবোমচা চেয়রমেন গভর্নিং বোদিনা থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌখি। ফেসন শো অসিদা মহৈরোয় ২০না তোঙান তোঙানবা দিজাইন ১১ মীয়ামদা খুদোল তমখি হায়রি।

CAS REVISION
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.



8th Position
LANCHENBA OINAM
HSLC Exam 2018, 94%
(Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)



19th Position
DEEPAK OINAM
HSLC Exam 2018, 92%
(Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)



ROHIT KHUMUKCHAM
HSLC Exam 2018, 75.8%
(Man. M. Sc.)

MAIBAM STEPHEN
HSLC Exam 2018, 74.5%
(Man. M)



LUNGINMANG HAOKIP
HSLC Exam 2018, 72.6%
(MIL. E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4983/13/11-12/12

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4970/13/11-9/12